# পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী অনৌবা প্লান ওইনা জাইস-ঈ-মোহম্মদ অমসুং টালিবানগী অপূনবা টেরর ষ্ট্রাইক শীল্লিঃ সোর্স



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬(এজেন্সী)ঃ
মালেমগী লৈবাকশিংনা পাকিষ্টান্দা টেরর ওপরেটরশিংগী মায়োক্তা লেপ্পবা অকনবা প্রেশর পীরিঙৈ মনুং অসিদা পাকিষ্টান্না অনৌবা লাল্লোং (প্লান) অমা শীন্দুনা জাইস-ঈ-মোহম্মদ অমসুং টালিবান টেরর লুপ অনীনা পূনশিল্লগা ইন্দিয়াদা অহেনবা এটেক চথরকপা য়াবগী পাউ লৈরে হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সোর্সনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সিশিংনা পূন্না খোমজিনবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না পাকিষ্টানগী স্পাই এজেন্সি ওইরিবা আই এস আইনা ইন্দিয়াদা মখা তানা টেরর লুপশিং অসিগী খূৎথাংদা অহেনবা চথরবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি হায়বগী পাউ ফংলি হায়রি।

ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মালেমগী টেরোরিষ্ট লুপশিংগী মনুংদা য়াম্না থাক ৱাংনা লৈরিবা জাইস-ঈ-মোহম্মদ অমসুং টালিবান অনীগী খূৎথাংদা পাকিষ্টানগী আই এস আইনা মখা তানা টেরর এটেক চথনবা তোঙান তোঙান থবক থৌরমশিং লৌখৎলি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইন্টলিজেন্স সোর্স অসিগী মতুং ইন্না ইন্দিয়ানা পাকিষ্টানগী বালাকোটতা চথখিবা এয়রষ্ট্রাইক অদুগী মাঙওইননা জাইস-ঈ-মোহম্মদ, টালিবান অমসুং হকানি নেটৱৰ্ককী লুচিংবশিংনা পাকিষ্টান্দা অরোনবা মীফম অমা ফমখি হায়রি। হায়রিবা অরোনবা মীফম অদুদা টেরর লুপ অহুম অদুনা পূন্না ৱারেপ লৌদুনা ইন্দিয়াগী মথক্তা 'জিহাদ' চথনবা থৌরাং তৌখি।

টেরোরিষ্ট লুপ অহুম অসিগী লুচিংবশিং অদুনা ৱারেপ লৌখিবগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াখক্তা নত্তনা অফগানিষ্টানগী শরুক খরদসু টেররগী থবক থৌরমশিং চথগনি হায়খি।

ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিং অদুগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিটি এজেন্সিশিংদা চেকশিন-ৱাহৈ পীদুনা টেরর লুপ অহুম্না পায়খৎলক্ক-দৌরিবা খোঙথাংশিং অদুগীদমক শেম-শাদুনা লৈনবা খঙহনখি।

টালিবান টেরোরিষ্ট লুপ অসি মমাঙদা মচোই মচোই তারুরবা মতুং নৌনা তাশিন্দুনা য়ু এস এ অমসুং চুংশিন্নবা ফোর্সশিং অমদি অফগা-নিষ্টানগী সেক্যুরিটি ফোর্সকী মায়োক্তা এটেক কয়া চথনবা হোৎনরি।

টেরর লুপ অহুম অদুগী অপূনবা অরোনবা মীফম অদু মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৫ দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকখিবনি। মদুগী মতুং ইন্দিয়াগী ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা য়াম্না কূপ্না শেন্নদুনা লুপশিং অদুনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং অদু য়েংশিন্দুনা লাকখি।

পনবা য়াই, পাকিষ্টানগী আই এস আইনা জাইস-ঈ-মোহম্মদ, টালিবান অমসুং হকানি নেটৱৰ্ককা পূন্না খূৎশম্নদুনা থবক পাঙথোকমিন্নবগী অপাম্বা মতম শাংনদগী ঙাইদুনা লাকখিবনি। মমাঙ চহীগী দিসেম্বরদা পাঙথোক-খিবা লুপ অহুমগী মীফম অদুনা আই এস আইদা অচৌবা মতেং অমা পীদুনা য়ূমলোন্নবা লৈবাক ওইরিবা ইন্দিয়া অমসুং অফগানিষ্টান্দা চথবা টেরোরিষ্টকী থবক থৌরমশিংদা অহেনবা পাঙ্গল লাক্লি।

য়ু এস এনা অফগানিষ্টান্দা তংদু-লৈতাবা ফিভম অমা পুরক্নবা হোৎনবদা টালিবানগা ৱারী শানবা পাম্বগী ৱাখল্লোন মাঙজৌননা ফোঙদোকখ্রবনি। মরক অদুদা পাকিষ্টানগী আই এস আইনা খুদোংচাবা লৌদুনা টালিবানবু মখোয়গা হেন্না নকশিন্নবগী তাঞ্জা অমা পীখি হায়না ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিংনা ফোঙদোক্লি।

পাকিষ্টান্দা লৈরিবা পাকিষ্টান ওকুপাইদ কাশ্মিরগী মফমশিংদা হৌজিক হৌজিক য়ামদ্রবদা টেরোরিষ্ট লুপ ১৬কী মফম অমসুং ট্রেনিং সেন্টর এক্টিভ ওইদুনা লৈরি। হায়রিবা সেন্টরশিং অসিদগী নহা ওইরিবা ইন্দিয়াগী মীওইশিং অমসুং অফগানিষ্টানগী মীওইশিংবু টেরোরিষ্টগী ওইবা মপূং ফাবা ট্রেনিং পীদুনা লুপশিং অদুনা পাঙথোক্লিংবা টেরর এটেকশিং পাঙথোকহনবদা অচৌবা মতেং ওইদুনা লাক্লি।

হৌখিবা চহীদা হায়রিবা ট্রেনিং সেন্টরশিং অসিদগী টেরোরিষ্ট ৫৬০ ট্রেনিং ফংদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা টেররগী থবকশিং চথখি হায়রি।

# হিটলর, মুসোলিনি অমসুং মোদিগুম্বা মথৌ তাদেঃ দিগবিজয় সিংহ



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬(এজেন্সী)ঃ
কোংগ্রেসকী সেনিয়ার লুচিংবা দিগবিজয় সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, পুৱারীদা লৈবাক অমা চাওখৎনবা অমদি মীয়াম্বু অফবা পুন্সি মরেল অমা থম্নবা হোৎনবদা হিটলর, মুসোলিনি অমদি মোদিগুম্বা লুচিংবগী মথৌ তাদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

দিগবিজয় সিংহনা ফোঙদোরক-খিবা ৱাফম অদু ইন্দিয়াগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা হন্দক্তা ন্যু জীলেন্দদা মোস্ক অমদা টেরোরিষ্ট এটেক অদুগী মতাংদা পীরকখিবা ট্যুটরগী ৱারোল অদুগী মখা তানা ফোঙদোরকপনি।

মালেমগী লৈবাকশিংদা তংদু-লৈতাবা টেরোরিজম অমসুং এক্সট্রিমিজমগী ৱাখল্লোন হন্থনবা মীয়াম্না পাল্লিবা খোঙথাং অসিদা লৈবাকশিং অসিগী লৈঙাক পায়রিবা লুচিংবশিংনা চপ চাবা ৱাখল ফাথদুনা লৈবা মতম ওইরে হায়খি।

দিগবিজয় সিংহনা পনখিবা জর্মনিগী মমিং লৈরবা ৱৰ্ল্ড ৱার-টুগী জর্মনিগী লুচিংবা এদোল্প হিটলর অমসুং মহাক্কী চুংশিন্নবা লৈবাক ইটালিগী মুসোলিনি অনীগী ৱাখল্লোন অদুগা মান্ননা ইন্দিয়াগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা এক্সট্রিমিজমগী ওইবা অৱাংবা ৱাখল্লোন লৈরিবা অসি হৌজিক মতমগী পুন্সি মরেল অসিদা মথৌ তাদে হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা মালেমদা নুংশি-চান্নবা তংদু-লৈতাবা অমসুং অমনা অমগী মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন লৈবা মথৌ তাই। সনাতন ধর্ম্ম, গৌতম বুদ্ধ অমসুং মহাবিরনা নুংশি চান্নবা, তংদু-লৈতাবা অমদি খৎন-চৈনবা লৈতবা মালেম অমা পামদুনা লাকখিবনি।

দিগবিজয়না মখা তাখিবদা, হৌজিক ঐখোয়না মহাত্মা গান্ধিগুম্বা, মার্টিন লুথর কিংগুম্বা লুচিংবা মথৌ তাই। এদোল্প হিটলর, মুসোলেনি অমসুং মোদিগুম্বা লুচিংবা মথৌ তাদ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৩৯ দগী ১৯৪৫ ফাওবা হিটলর অমসুং মুসোলিনিনা লুচিংদুনা সেকেন্দ ৱৰ্ল্ড ৱার থোকহনখিবা অদুদা য়ামদ্রবদা লাম্মী অমসুং মীওই ক্রোর শিহনখি।

ন্যু জীলেন্দগী হন্দক্তা খ্রাইষ্টচর্চ সিটিদা লৈবা মোস্ক অমদা মীওই ৪৯ হাৎখিবা থৌদোক অদু ৱৰ্ল্ড ৱার-টুগী মতুংদা নৌনা মীচম্বু মরম লৈতনা হাৎপা থৌদোকশিংগী মনুংদা অচৌবা অমা ওইরিবনি।

মোস্ক অনীদা শিখিবা অপূনবা মীওই ৪৯গী মনুংদা ইন্দিয়াদগী মীওই ৯ য়াওখি হায়রি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ওপোজিশন পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু জর্মনিগী লুচিংবা এদোল্প হিটলরগা চাংদম্নখ্রবনি।

মমাঙগী চহীদা কোংগ্রেসকী সেনিয়র লুচিংবা মালিকআর্জুন খার্গেনা ফোঙদোকখিবদা, জর্মনিদা হিটলরনা তৌখিবা থবক থৌরমশিং অদুগুম্না ইনি দয়াদা নরেন্দ্র মোদিনা হায়বা ৱাফম লৈখ্রবনি। বি জে পিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা দিক্টেটরশিপকী মায়ওন পুরক্নবা শীল্লি হায়না মরাল পীরক্লি।

# বি জে পিগী এম পি শ্যামা চরন গুপ্ত সমাজৱাদি পার্টিদা য়াওদুনা লোক সভাগী মীরেপ ওইগদৌরি



লক্ষনৌ, মার্চ ১৬(এজেন্সী)ঃ
ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী পার্লিয়মেন্টকী মেম্বর ওইরিবা শ্যামা চরন গুপ্ত ঙসি সমাজৱাদি পার্টিদা য়াওদুনা উত্তর প্রদেশকী বন্দা লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইনা মীখলদা শরুক য়াগদৌরি।

উত্তর প্রদেশকী সমাজৱাদি পার্টিগী মায়কৈদগী পার্টি অসিগী লুচিংবা অখিলেস য়াদবনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিগীদমক্তা মীরেপশিংগী ওইবা লিষ্ট ৬ থাদোকখ্রবনি। পার্টি অদুগী মরিশুবা লিষ্টতা টিকমগট কন্সটিট্যুয়েন্সি রতিরাম বন্সল সমাজৱাদি পার্টিগী মীরেপ ওইনা লাউথোকখি। মঙাশুবা লিষ্ট কেন্দিদেট মরিগী মমিং লাউথোকপদা গোন্দা কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী বিনোদকুমার, বরাবনগী কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী রাম সাগর রাৱট অমসুং সম্ভল কন্সটিট্যু-য়েন্সিদগী সাফিকুর রহমনগী মমিং লাউথোকখি।

তরুকশুবা লিষ্টতা সমাজৱাদি পার্টিনা গাজিয়াবাদ কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী সুরেন্দ্র কুমারিবু মীরেপ ওইনা থাগৎখি। মেনপুরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী সমাজৱাদি পার্টিদগী ফাওন্দর মুলায়ম সিংহ য়াদব মীরেপ ওইনা মীখলদা শরুক য়াগদৌরি।

পনবা য়াই, থা অসিগী ১২ দা পার্টি অসিনা হথ্রাস অমসুং মিরজাপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী রামজি লাল সুমন অমসুং রাজেন্দ্র ভিনবু সমাজৱাদি পার্টিগী মীরেপ ওইনা লাউথোকখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা, অসামগী তেজপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী সিটি এম পি ওইরিবা বি জে পিগী রাম প্রসাদ শরমা পার্টি অদুগী টিকেট ফংদবদগী অতোপ্পা পার্টিদা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। চহী ১৫ হেন্না আর এস এস অমসুং বি ঐচ পিদা ৱর্কর অমা ওইনা শরুক য়াদুনা লাক্লবা মতুং কুমজা ২০১৪ দা বি জে পিগী মীহুৎ অমা ওইনা তেজপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাক্তুনা লৈরিবনি। অদুবু হন্দক্কী মীখল অসিদা মহাকপু বি জে পিগী টিকেট পীরক্তবনা মরম ওইদুনা মহাক পার্টি অসি থাদোক্লগা অতোপ্পা পার্টি অমদা শরুক য়ানবা শেম-শারি হায়খি।

রামপ্রসাদনা মখা তানা ফোঙ-দোকখিবদা, বি জে পিদগী তোক্লবসু মহাক্না হিংলিঙৈ মতম ফাওবা মহাক্কী কন্সটিট্যুয়েন্সি অমসুং অসামগী মীয়াম্বু মতেং পাংদুনা লৈখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ইন্দিয়ানা লেপ্তুনা য়ু এন এস সিগা খূৎশম্নদুনা মাসুদ অঝরবু গ্লোবেল টেররিষ্ট ওইনা লাউথোক্নবা শীল্লি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬(এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়া লৈঙাক্না য়ুনাইটেদ নেশন্স সেক্যুরিটি কাওন্সিল (য়ু এন এস সি)গা খূৎশম্নদুনা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী লুচিংবা মাসুদ অঝরবু গ্লোবেল টেররিষ্ট অমা ওইনা লাউথোক্নবা কাওন্সিল অসিগী সেঙ্কশন কম্মিটিগা মখা তানা খূৎশম্নদুনা চৎলি হায়না ইন্দিয়াগী লৈঙাক্কী অৱাংবা থাক্কী সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসি চাইনানা জাইস-ঈ-মোহম্মদকী লুচিংবা মাসুর অঝরবু গ্লোবেল টেররিষ্টনি হায়না য়ু এন এস সিগী মায়কৈদগী লাউথোক্নবা শীল্লকপদা অথিংবা থল্লকপা অদুগী মতুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না ফোঙদোরকপনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না চেৎনা থাজরিবা ৱাফম অমদা চাইনানা টেররিজমগী হীরম অসি য়াম্না অচৌবা অমদি মরু ওইবা ইস্যু অমা ওইনা লৌরি। চাইনানা পাকিষ্টান্দা টেরর লুপ কয়া শৈদাংদুনা অমদি মখোয় মখোয়গী ওইবা কেম্পশিং লিংখৎতুনা টেররিজমগী ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি হায়বসি খঙদবা নত্তে।

সোর্চ অসিনা মখা তানা ফোঙদো-রকপদা চাইনানা মাসুদ অঝরবু মালেমগী টেররিষ্ট লুপশিংগী লুচিংবা অমনি হায়না লাউথোক্নবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী য়ু এস সেক্যুরিটি কাওন্সিলদা পুখৎলকখিবা ৱাফম অদু থিংদুনা লাকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চাইনানা য়ু এনগী সেক্যুরিটি কাওন্সিলনা মাসুদ অঝরবু গ্লোবেল টেররিষ্টনি হায়না লাউথোক্নবা থাঙ্গৎলকপা ৱাফম অদু থিংখিবা অদু হন্দক্কী অসি থারগা মরিরকশুবনি হায়না সোর্স অসিনা ফোঙদোক্লি।

চাইনাগী খোঙথাং অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্না য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি লৌখৎহন্নীংদবা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোকখি। খ্বাইদগী নৌবা পাউদা চাইনানা মাসুদ অঝরবু গ্লোবেল টেররিষ্ট লুচিংবনি হায়না লাউথোক্নবগী মতাংদা চাইনাগী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগা মখা তানা কূপ্না ৱারী শানবা পাল্লি হায়খি।

চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ঙরাং অথেংবদা ফোঙ-দোরকখিবা ৱারোল অমদা মাসুদ অঝরবু গ্লোবেল টেররিষ্ট অমনি হায়না লাউথোক্নবা হোৎনবদা য়ুনাইটেদ নেশন্স সেক্যুরিটি কাওন্সিলগী মেম্বরশিংগী মরক্তা চাইনানা অথিংবা পীখিবা অদুগী মতাংদা ইন্দিয়াগা মখা তানা ৱারী শানদুনা মাসুদ অঝরবু টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকপা য়াবগী লম্বেল অমা থল্লক্লি।

পনবা য়াই, য়ু এন সেক্যুরিটি কাওন্সিলগী মেম্বর ওইরিবা য়ু এস এ, বৃটেন অমসুং ফ্রান্সনা মাসুদ অঝরবু গ্লোবেল টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা মহাক্কী চথোক-চৎশিনগী থবকশিংদা অথিংবা থম্বা অমদি মহাক্কী লন-থুম ফাজিনবগী অয়াবা পীননবা থাঙ্গৎলকপা ৱাফমদা চাইনানা অথিংবা থল্লকপনি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১৬ অমসুং ২০১৭তসু মাসুদ অঝরগী মথক্তা য়ু এন সেক্যুরিটি কাওন্সিলগী সেঙ্কশন কম্মিটিনা মহাকপু অথিংবা থম্নবগী মতাংদা পুখৎলকখিবা ৱারেপশিং অদু চাইনানা থিংদুনা লাকখিবনি। হন্দক্কী অসিগী থারগা চাইনানা মাসুদ অঝর কন্দুনা লাকপা অসি মরিরক শুরবনি।

# ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা 'মে ভি চৌকিদার' হায়বা কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬(এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর বি জে পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী ভোট খোম্বগী কেম্প্যেন অমা ওইনা 'মে ভি চৌকিদার' হায়বা স্লোগান শীজিন্নখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু 'চৌকিদার চোর হে'(চৌকিদার হুরানবনি) হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ৱাফম অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না রাফেল ফায়টর জেট লৈবগী মতাংদা প্রাইম মিষ্টির য়াওনা শেঞ্জা-থুমজা তৌই হায়বগী মতাংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা থমখিবা ৱাফম্নি। মদুগী মতুং চৌকিদার হায়বা ৱারোল অসি শীজিন্নদুনা নরেন্দ্র মোদিনা বি জে পিগী ওইবা ভোট খোম্বগী খোঙথাংদা 'মে ভি চৌকিদার' হায়বা ৱারোল অসি শীজিন্নরকপনি।

মোদিনা মখা তারদুনা চৌকিদার অসি মতম পূম্নমক্তা খোঙফম হোংদনা লেপ্পুনা লৈরি। মীয়ামগীদমক্তা তুং হন্না চৎলোই হায়বা ৱাফমসু য়াওরি। চৌকিদার অমখক্তা নত্তে, লৈবাক অসিদা বি জে পি শেঞ্জা-থুমজা মুথৎনবা থবক পায়খৎলিবা মীওই কাঙলুপ খূদীংমক লৈবাক অসিগী চৌকিদার ঙাক্তনি। চৌকিদারশিং অসিনা লৈবাক অসিগী চাওখৎনবা অমদি হান্না লৈরম্বা অশোয়বশিং অদু চুমথোক্নবগী শেমগৎতুনা লাক্লিহায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ভোট খোম্বগী খোঙথাং অদুদা ভিদিও ওইনা মহাকপু শৌগৎপা মীওই কয়ানা 'মে ভি চৌকিদার' হায়বা খোল্লাও লাউবা য়াওখি।

# মেনিফেষ্টোদা হেল্‌ঠক্যের এক্ট য়াওরবা য়াই হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা ফোঙদোকখ্রে



রাইপুর, মার্চ ১৬(এজেন্সী)ঃ
কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা, মহাক্কী পার্টি অসিনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিগী মেনিফেষ্টোদা লৈবাক অসিগী মীয়াম পূম্নমক্তা মিনিমম হেল্‌ঠক্যের গরেন্টি তৌগদবা রাইট টু হেল্‌ঠক্যের এক্ট য়াওরবা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি রাহুল গান্ধিনা এন জি ও অমনা শীনবা নুমিৎ নীনি চথখিবা নেশনল কনভেন্সন ওন হেল্‌ঠকী অরোইব নুমিত্তা মেদিকেল প্রোফেশনেলশিংগা ৱারী শানবদা হায়খিবনি।

গান্ধিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্না পায়খৎলিবা অয়ুশমান ভারত ফ্লেগশিপ হেল্‌ঠ স্কিম অসিবু মতীক চাদে হায়রদুনা স্কিম অদু লৈবাক অসিগী খনগৎলবা বিজিনেসমেন ১৫ দগীনা ২০ ফাওবনা চল্লাইবা অদুগুম্বা প্রোগ্রাম অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

গান্ধিনা কোংগ্রেস পার্টিগী মেনিফেষ্টো অদুদা মরু ওইনা হীরম অহুমদা মীৎয়েং চঙগদৌরি। মদুদা রাইট টু হেল্‌ঠক্যের এক্ট হাপ্পুনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীপূম খূদীংমক্না হেল্‌ঠক্যের ফংহন্নবা লৈঙাক্না শীনগদৌরি।

হেল্‌ঠক্যের এক্সপেন্দিচর অসি জি দি পিদগী চাদা ৩ হাপকৎলগা দোক্টর অমদি হেল্‌ঠক্যের প্রোফেশনেল মশীং হেনগৎহনগনি হায়না থমখি। করিগুম্বা মহাক্কী পার্টিনা লোক সভাদা মীখলদা মায় পাক্লক্লবদি হেল্‌ঠক্যের অমসুং এদ্যুকেশন্দা হেন্না এক্সপেন্দিচর তৌগনি হায়রি।

ইন্দিয়া লৈবাক অসি রুরল সিষ্টেমদগী অর্বান সিষ্টেমদা হোংলকপগী লংদাইদা লৈরি। মসি অরাইবা তাঞ্জা নত্তে, অৱাবা লম্বেল কয়া থেংনগদৌরিবনি। ২১শুবা চহী চাদা লৈবা কোংগ্রেস লৈঙাক্না ইন্দিয়াদা লৈবা মীয়াম্বু কনবা অসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক ওইনা লৌগদৌরি।

KIPA THUPHON



L. Sudhakar

SAGOLBAND KHAMNAM LEIRAK NEAR I.T.I IMPHAL AUM DR. LAISHRAM NABAKISHORE CHAPA DR. SUDHAKAR (SHAMU) IN PHAT SOTTAH KAL (KIDNEY) SONG (5 STONE) UM CHU HAPTA 4 (4 WEEKS) AMA LOUSEM KA DON KON IN KADAM TAI AMA CHUNGA KAKI PAHE.

Sd/- LHINGNEO
PHUNCHONGJANG VILLAGE KANGPOKPI
DISTRICT MANIPUR

HL-P/6068/17

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - III MANIPUR**

***Mut. Case No. 70/AS&SO/III Dt. 14/3/2019***

1) Leishangthem Roshni Devi W/o Longjam Chitanda Meetei of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal.
2) Leishangthem Sanatombi Devi W/o Asem Roben Singh of Haokha Mangang Leikai - Petitioners

-VS-

1) Leishangthem Ningthemjao Singh S/o (L) Mani Singh of Wangkhei Thangjam Leikai.
2) L. Rajen Singh S/o (L) Mani Singh of -do-
3) L. Ongbi Sorodhoni Devi W/o (L) Rameshwor Singh of -do-
4) L. Brajamani Singh S/o (L) Mani Singh of -do- -O.P. Parties

**/NOTICE**

15/3/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Co-Pattadar No. 3 Leishangthem Sorodhoni Devi W/o Rameshwor Singh গী লৈখিদ্রবা পাট্টা নং ৭৯/অংশ অরিবা, ২১১ অনৌবা, হাল দাগ নং ২২৩৪, এরিয়া ·১২গী শরুক ৪ থোকপগী ·০৩ একর, খুল নং ২৭ - ৱাংখৈ নোংপোক ইখোল অসিগী পাট্টাদার মশা মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা লৈখিদ্রবা অসিগী মচানুপী অনী অসিদা নামা ওনবিরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement**
***Officer-III Manipur***

HL-P/3813/17

**IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE**
**IMPHAL WEST MANIPUR**

**/ORIGINAL SUIT NO. 10 OF 2018**

Elangbam Ningol Lourembam Ongbi Muktabali Devi aged about 54 years W/o Lourembam Deban Singh a resident of Khuyathong Pukhri Achouba Mapal P.O & P.S Imphal District Imphal West Manipur and one another. **Plaintiffs**

**Versus**

Lala Baitha aged about 45 years S/o Sagar Baitha a resident of Shripur Gahar District Samastipur State Bihar and at present Khuyathong Pukhri Achouba Mapal P.O & P.S Imphal District Imphal West Manipur and five others. **Defendants**

**Substituted service under Order V Rule 20 (1 A) C.P.C**

**To,**

1. Lala Baitha aged about 45 years S/o Sagar Baitha a resident of Shripur Gahar District Samastipur State Bihar and at present Khuyathong Pukhri Achouba Mapal P.O & P.S Imphal District Imphal West Manipur.
2. Ramchandra aged about 60 years S/o Late Jagdish Shah a resident of Riga District Sijamarhi State Bihar at present Khuyathong Pukhri Achouba Mapal P.O & P.S Imphal District Imphal West Manipur.
3. Elangbam Nandakishor Singh aged about 43 years S/o Late Elangbam Temba Singh of Hiyanglam at present Khuyathong Pukhri Achouba Mapal P.O & P.S Imphal District Imphal West Manipur.
4. Polem Dorendro Singh aged about 68 years S/o Late Polem Nandeshwar of Khuyathong Pukhri Achouba Mapal P.O & P.S Imphal District Imphal West Manipur at present Ningthoukhong Gopinath Leikai P.O & P.S Bishnupur, District Manipur.
5. Polem Mema Devi aged about 58 years W/o P. Dorendro Singh a resident of Khuyathong Pukhri Achouba Mapal P.O and P.S Imphal District Imphal West Manipur, at present Ningthoukhong Gopinath Leikai P.O & P.S Bishnupur, District Bishnupur Manipur.
6. Polem Risikumar Singh aged about 35 years S/o P. Dorendro Singh a resident of Khuyathong Pukhri Achouba Mapal P.O and P.S Imphal District Imphal West Manipur, at present Ningthoukhong Gopinath Leikai P.O & P.S Bishnupur, District Bishnupur Manipur.

Whereas the plaintiffs have instituted a declaration to title with consequential Relief of eviction against you. You are hereby summoned to appear in this court in person, or by pleader duly instructed, and able to answer all material question relating to the suit or who shall be accompanied by some person able to answer all such question, on the 1th day of April 2019 at 10:30 A.M. in the forenoon, to answer the claim. Further you are hereby directed to file on that day a written statement of your defence and to produce on the said day all documents in your possession or power upon which you base your defence or claim for set-off or counter claim.

Take notice that, in default of your appearance on the day before mentioned, the case will be heard and determined in your absence.

Given under my hand and Sealed of the court, on this 12th of March 2019.

**Sd/- Ojesh Mutum**
Civil Judge Senior Division, Imphal West Manipur

HL-P/6067/16,17